চয়োলগী ৱাষি ফল

(মার্চ তাং ৩০ দগী এপ্রিল ৫ ফাওবা)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বজার, ইম্ফাল

মেষঃ ইশানা খরা হেন্না চেকশিঞ্জবগা লোয়ননা থবক থৌরমদা চংশিল্লবদি কান্নবা ফংবদি ঙম্লগনি। পাংথোকপদা অৱাবা খরদি পাংথোক্লগনি। চখোক চৎশিন্দা খরা হেন্না চেকশিনবদি ফগনি। অচৌবা মকোক ওইবা মীওইশিংনদি চানবীবা মতমনি। পোৎ অনৌবা লৈশিনবা য়ারগনি। হকচাংদি নুংশিৎকী অনাবনা হেল্লগনি। অফবা অচা–অথক শীজিন্নবা ফগনি। শেল চৎননবা মরম হেন্না থেংনখিগনি। *মহৈরোয়শিং* গী কন্না হোৎনবা তবনি। *পাখং লৈশাবীগী* ৱাখল লাংবা মতমনি।

নক্ষত্রঃ ১,২,৩ – অফবা মতম ওইরগনি।

বৃষঃ য়ৈখায়বা, থিংগাইবা অপনবা থেংনগনি। অশাওবা পেন্দবা খৎননিংবা মায়োক্লরগনি। ৱা ঙাংবা হৈত্রবদি ইকায়বা নংবা ওই। অচুম্বদা মীনা অর্থ লান্না লান্না লৌখিবা মতমনি। তোখায় তাদনবা হৈশিংবা ফগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা, লৌথোক লৌশিন্দা হেন্না চেকশিনবা ফগনি। মী অয়াম্বনা য়েংশিনবা, কল্লকপা য়ামখৎপা মতমনি। থাজবা মীদগীসু চেকশিনবা ফগনি। অরাপ্পা চৎপদা তুং মাং য়েংলগা চৎপা ফগনি। অফবা ৱাখল, তঙাই ফদবনি। ৱাখল পীকথবদগী চেকশিল্লু। *মহৈরোয়শিংগী* হেন্না কন্না হোৎনবা ফগনি। *পাখং লৈশাবীগী* তোখাই তাবা অমনা অমগী ৱা লৌনদবা ওইরি।

নক্ষত্রঃ ৩,৪– অফবা ওই, ৫– ফবা ৱাৎলগনি।

মিথুনঃ অমগা অমগা মত চান্নবা শিঞ্জগনি। অপনবা য়ৈখায়–থিংগাইবা মায়োক্লবা, মীৱা মৈশা তাবা মতম থেংনরগনি। ৱাহৈ অকনবা শীজিন্নদবা ফগনি। শেল চৎপা ৱাখল শাবা মতমসু থেংনরগনি। ইমুংদা মত চান্নবা হোৎনজগনি। অচম্বা থৌদোক মচা অমদা চোপ্পা নংবা ওইরি। লৈমিন্নবশিংগা মত চান্নবা হোৎনজগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চেকশিনবা ফগনি। *পাখং–লৈশাবীগী* চয়েৎনবা মতম্না হেল্লগনি।

নক্ষত্রঃ ৫,৬– চাংদা লৈগনি, ৭– অৱা–অনা থেংনরগনি।

কর্কটঃ অপনবা য়ৈখায়–থিংগাইবা, অমুক্তংদা পাংথোকপা ৱাবা কোক শাবা মতমনি। শেলদি খূত্তা তুংবা ৱারগনি। ৱাখল লমচৎ চেকশিনবা ফগনি। হকচাং লোক লাইহৌ তৌবা, খোং হাম্বা চাং নাইদবা মতমনি। খল্লুদবা পামদবা থেংনগনবা ওইরি। *মহৈরোয়শিংগী* চেকশিনবা ফগনি। *পাখং–লৈশাবীগী* চয়েৎনবা ওইরি। অফবা ৱাখল অফবা মীগা তিন্নবা ফগনি।

নক্ষত্রঃ ৭,৮,৯ – অফবা ওইদবনি। চখোক চৎশিন্দা চেকশিনবা ফগনি।

সিংহঃ হোৎনবদা খরা কান্নবা ফংবা, পাংথোকপদা লুনা থোকপা পাংথোকপা য়াবা মতম লাক্লগনি। অচৌবা মচা খায়দনা তিন্নবা য়ারগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। অদুবু পোৎ অনৌবা লৈশিনবদি য়ারগনি। শেল চৎলবসু হোৎনবদা কান্নবদি পীরগনি। পুক্তা নুংঙাইরোইদবা অচা–অথক হেন্না চাদবা ফগনি। মীনা কল্লকপা মীহৌবা য়েংশিনবদি য়াল্লগনি। *মহৈরোয়শিংগী* চেকশিঞ্জবা তাবনি। *পাখং লৈশাবী* গী ইংনা–চিক্লা লৈরগনি।

নক্ষত্রঃ ১০,১১,১২– অফবা অমদি চাংদা লৈবা য়ানশিন্নবা ওইরগনি।

কন্যাঃ হান্নদগী ফগৎপা হেন্না ফবা মতম লাক্লগনি। অনৌবা অরু–অরুবা খরদি মায় পাক্লা পাংথোক্লগনি। পোৎ লৈশিনবদি য়ারগনি। মীনা নুংশিবীবা চানবী মতমনি। চাংয়েংনবা থোক্লবদি মায় পাকপা পীরগনি। অচৌবা অনৌবা পোৎ মমল য়াম্বা লৈবা য়াবা মতমনি। মরুপ মপাং হান্নদগী মশিং য়াল্লগনি। ইমুংদা পাংথোক্লিংবা পাংথোকপা ঙম্বা মতমনি। *মহৈরোয়শিংগী* অফবা মতম্না হেল্লগনি। *পাখং–লৈশাবীগী* ইংনা চিক্লা লৈরগনি।

নক্ষত্রঃ ১২,১৩, ১৪–অফবা মতম্না হেল্লগনি

তুলাঃ পূক্লিং হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। তাঙ–খ্বাং, য়াংলেনগী অনাবা, খোং হাম্বা চাং নাইদবা তৌরগনি। নুংশিৎ চেনগদবা অচা–অথক চাদবা ফগনি। ঐগী মীদি মশিং য়াল্লগনি। ইমুংগী থৌরম খরদি পাংথোকপা ঙম্লগনি। লম চৎপা পাপ্পা মতমনি। কান্নবসু ফংলগনি। অচৌবা, অনৌবা মাল নৎত্রগা পোৎ মচা লৈশিনবা য়াবা মতমদি ওইরগনি। *মহৈরোয়শিংগী* অফবা মতমদি ওইরি। অদুবু খরা চেকশিন্না হোৎনবদি ফগনি। *পাখং লৈশাবীগী* গী অফবা ইংনা–চিক্লা লৈবা ওইরগনি।

নক্ষত্রঃ ১৪,১৫,১৬–অফবা মতম ওইরগনি

বৃশ্চিকঃ ইশানা পামজবা থবক খরদি মায় পাক্লা পাংথোক্লগনি। শেল ফংবা ওইরি। অদুবু খরদি অদুম্মক চৎলগনি। পোৎ মচা–মচা লৈশিল্লগনি। যূমদা লৈনিংদবা, লম চৎনিংবগী ৱাখল লৈরগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎনবা শিঞ্জগনি। অফবা মীগা তিন্ননবা হোৎনবা ফগনি। ইমুংদা থোইনা ফত্তবদি লৈবা উদে। মরুপ মপাং হেন্না ফগৎলক্লগনি। *মহৈরোয়শিংগী* অফবা মতমনি। *পাখং–লৈশাবীগী* চান্ননা, নুংশিননা লোয়নরগনি।

নক্ষত্রঃ ১৬, ১৭, ১৮ – য়ানশিন্নবা মতমনি।

ধনুঃ থবক য়াম্না চিনবা, থৌরম কয়া মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনবা অচৌবা মচা খাক্তনা তিন্নবা য়াবা মখোয়গী মতেং ফংবা ঙম্বা মতমনি। শেলদি খরা ফংলগনি, লমতু চৎপদি হৈ–শিংবা ফগনি। যূম পানবা য়াবা ওইরবদি অফবা মতম ওইরি। পোৎ–মাল মমল লৈবা লৈশিনবা য়াবা মতমনি। মীংচৎ হেনগৎপা মতম্না হেল্লগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। *মহৈরোয়শিংগী* অফবা ওইরগনি। *পাখং লৈশাবীগী* ইংনা চিক্রা লৈরগনি।

নক্ষত্রঃ ১৯,২ [redacted]

মকরঃ মকোক ওইবা লুচিংবা
মতম ওইরগনি। পোৎ
ফংলগনি। খরসু চৎপা ম
থেংনরগনি। ৱাখল খর লাংজরবসু
পাংথোক্লগনি। হকচাং নুংশিৎকী অনা
লম্লানবশিংনসু নুংশিবীবা মতমনি।
পাখং লৈশাবীগী থুংনগনবা ওইরগনি।

নক্ষত্রঃ ২১,২২,২৩ –খূদোংচা

কুম্ভঃ ৱাখল ফকচিনবা,
শেল ফংবা, চৎপা মান্নগনি।
ফগনি। অমা তৌরিঙৈদা
মতমনি। হকচাং খরা চাবদা চেকশিন
লাপথোক্লবা হোৎনজগনি। পোৎ
মহৈরোয়শিংগী যান্নরা চৎলগনি। *পাখং*

নক্ষত্রঃ ২৩

মীনঃ মরি–মতা নক্লবা মী
মতমনি। শেল চৎপনা হেল্ল
ফগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎন
ৱারৌনবা অর্থ লান্না লান্না লৌবা মতম
অরাপ্পা মফম চৎপদা চেকশিনবদি ফগ
কল্লকপা মতমনি। *মহৈরোয়শিংগী*
লৈশাবীগী তুং ওন্থোক্লবা মতমনি।

নক্ষত্রঃ ২৫,২৬

দ্রামা

"বানু-বেগম"

-লাইশ্রম দেবেন সিংহ (এৱার্দি)

য়াওগদবা মীওইশিং মথংশিংনা ঃ

১। করিম – (হিরো)
২। নাজমা – (হিরোইন)
৩। বানু বেগম – (নাজমাগী মনাওনুপী)
৪। রেজিয়া –(করিমগী মমা)
৫। সহিতুলা – (নাজবা ১দি বানুগী মপা)
৬। তোম্ব নহা –(করিমগী মপা)
৭। আলি সাহ – (গায়ক)
লোয়ননা অতৈ মীওই খরা...

(মমাং নোংমাইজিংগী মখা...)

মরিশুবা তাঙ্কক

মফম ঃ *আলি সাহগী ঈশৈ শঙলেন।*
মতম ঃ *নাজমা ইরুজবা*
(ঈশৈ)

আলিসাহ ঃ হে তনৌরবী মীতম্নফম ওইরিবী
পোত্থহল্লু থম্মোয়সে নংগী আম্রাপুরদা।

চৎলি ইথন্তা লম্মাংনরবা লম্বীদা
পম্বুংসু খংদে, চৎপদি লেপ্তে
করম্বা ময়াইনো নংগী লম্বীদো
লমজিংবীয়ু ধ্রুবতরাগুম নংনা

হে আল্লা, জন্নৎকী শক্তম ও
কুরবান ওইজগে নংগীদমক
দুৱা তৌজরি নংগীদমক
চানবীয়ু ননাইবু হে দিগম্বর–ও।

শৈরেংবা
লাইশ্রম দেবেন সিংহ

(য়াম্না লাপ্পা, আলি সাহনা ঈশৈ শকপগী খোঞ্জেলসি নাজমানা ইরুজরিঙৈদো তারম্মী। মথন্তা ইকাইজদুনা কনা লৈ হায়নসু মথন্তা কোইয়েং য়েংঙি। লাংতক্লবা থম্মোয়না অমুকসু আলি–সাহ নিংশিংঙি। নুংশি মীনোক তম্মী। নাজমাগী মতৌ উবদা বানুনা লক্লরকই।)

বানু ঃ হো ইবেম্মী কনাবুনো নথন্তা মফমদুনা, কুইরেনে ইরুজরিদো, নতৌদা ঙাওরেকো ঐদি হো– হা–হা।
নাজমা ঃ লাংজনু বানু নং নথৌ লৈব্রো ও?
বানু ঃ মপু য়াম্বী, আল্লানা চানবীরোইকো মদু খংজৌনে।
রেজিয়া ঃ কনাদনো বানু নংনা ঙাংলিদো–হা?
বানু ঃ চেচেদা লক্লরিবা ইদোমচা।
রেজিয়া ঃ ঐখোয় করিম্না লাকপদগীদি নহোয় নচেসে ঐখোয়দগা লাকখিদ্রেনে–হা? কৈদৌনরে নাজমা নংবো?
নাজমা ঃ কৈসু তৌদে ইদোমচা। হৌজিক্তি ঐহাকসু ঈশৈ তম্বা চৎপসিদা হায়দোক্লবা মতমগা ফংদ্রেদা শংলগদি লাক্কে খল্লি।
বানু ঃ ইদোমচা ঐখোয় ইচেসে। জ্ঞান তাজৌ।
নাজমা ঃ অঙাং নং–মা, নমাই থক্নু। ইদোমচা ঐখোয় বানুসে ময়ুম পাননিংবনা লোইরবনি, মাগী অমত্তা থীবিয়ু। স্কুল কাখিবদগী মওং মরিল তাদবা ৱা য়াম্না ঙাংখৎলক্কে।
রেজিয়া ঃ অদুগী ৱাদি ইনখৎলকপা হায়বসে নাজমা লোইনমক্কী মতমদো। নুপীশিংনা, জিব ঙম্না, উ–ৱা–উরি–লৈ খূদিংমক বসন্তা চংলিনে। শাওরুনু ইমৌসিদি, হায়–হায় ঐনদুম হেন্না ঙাওরেনেসে। হৈমা সিদি (নোকই)
বানু ঃ ইদোমচাসিদি।
নাজমা ঃ মাদি কৈদৌঙৈ চৎখ্রগনি?
রেজিয়া ঃ ঙসি হাপ্তা ১ লৈরগা, মথন্তনি হায়নে মাগী মরুপ–আলি সাহদি চহী ২ / ৩ লোম লৈখিনি। ছাত্র–ছাত্রি খরা খোমখিনি অদুগা আ–দিল্লিদা নৎত্রগা এলাহাবাদতা স্কুল অমা লিংগনিসু হায়দা ইবেম্মা নাজমা।
নাজমা ঃ ও...ও। মদুদা য়াওহৌননবা কন্না হোৎনদবা য়াদে ইদোমচা। ইদোমচা, কোন্না ৱারিদো ওঝানা চৈরম্লনি। ঐহাক চৎখ্রগে। নোংমতা ঙন্না চৎপসু ঙমদেদা ইদোমচা ঈশৈ তন্নিবনি হায়রিসে ছাত্র ময়াম লৈরম্লনি–থেংখ্রে চৎলগে।
বানু–বানু ইদোমচাগী চা–নুংদো...।

(মফি মরোল নান্না শেৎলগা ঈশৈ তম্বা অলিগী মনাক্তা চৎলি লোয়ননা অহাও অথুম খরা অমগা)

নাজমা ঃ ওঝা, ঐহাক লাকচরে, নোংমতা ঙন্না লাক্কে হোৎনবনে হেক্তা মথেংখি।
(অহাও অথুম সন্দেশ ওঝাদা..)
য়ামদি য়ামদে ওঝা..., ওঝাগীদমক্তা হায়দনা ঙরাংদো কৈথেলদগী...।
আলিসাহ ঃ হাওইনেহে। নঙসু চাওদনা। ঙসিদি ছাত্র–ছাত্রি কয়াম্না লাকওই। মী ২ / ৩দংতা লাকও হায়খিবনি। নহাক য়াওরগা মী ৩ লোম শুনি নাজমা।
ঐনা সুম তম্বীবদা নখোয় ময়ামদগী নংনা খ্বাইদগী হেল্লি, নহাক অমদি আ–দা চৎপা তারে তলবকীদি ঐ লৈরি।
নাজমা ঃ ইস! অদুদি।
আলিসাহ ঃ কৈদৌরে?
নাজমা ঃ পাবানা য়ারক্কদবা মান্দে ওঝা।
আলিসাহ ঃ আদা পুরা লৈগদবসু নত্তে, চহী ১/২ লৈরগা সিদসু ছাত্র–ছাত্রি খোল্লগদৌরিনি। চৎন–থোক্লা লৈবগী ৱানে, মসিনবু হেন্না খূদোংচাদৌরিনে। নঙ পাবাগসু ঙাংনগেদা দুগী ৱাদি নাজমা।
নাজমা ঃ দু ওইরদি ওঝা য়াবসু ময়াইদা। অদো ওঝা, ঈশৈ অমখক তাখি ওঝা, য়াম্না লাপ্পা ফজৈ, পামজৈ শক্লিংঙি।
(ছাত্র–ছাত্রি ৩ / ৪ চংলকই)

ছাত্র–ছাত্রিশিং ঃ সলাম ওঝা, সলাম।
আলি ঃ সলাম–সলাম, সুক থেংলিদি নহোয়, ঙন্না লাকউনে। ঙসিদি নহোয় ময়াম্না লাকত্রিঙৈদা ইথন্তা ঙাইবদুদা ঈশৈ অমা ঙংখি। অদুদা আ... নাজমানা ফজৈ, অমদি ঈশৈদু মানা পামজৈ হায়রিবা।
ছাত্রি ১ ঃ ঐখোয়সু তাজগে, অমদি শকচগে ওঝা।
আলি ঃ য়াইদা–য়াইদা। সিদগী ঈশৈ ময়েকসিনে।
– নাজমা, নহাক্লা হেক পারো ময়াম তানবা
(ঈশৈ ময়েক পাবা)
নাজমা ঃ হে তনৌরিবী, মীতম্নফম ওইরিবী
পোত্থাহল্লু থম্মোয়সে নঙগী আম্রাপুরদা।

চৎলি ইথন্তা লম্মাংনরবা লম্বীদা
পম্বুংসু খঙদে, চৎপদি লেপ্তে
করম্বা ময়াইনো নংগী লম্বীদো
লমজিংবীয়ু ধ্রুবতারাগুম নংনা।।

হে আল্লা, জন্নৎকী শক্তম–ও
কুরবান ওইজগে নংগীদমক
দুৱা তৌজরি নংগীদমক–
চানবীয়ু ননাইবু দিগম্বর–ও।

ছাত্রশিং ঃ ইস! ফজৈ–ফজৈ ওঝা। তম্বীরো ঙসিগীদি মসি ওইনা।
আলি ঃ নাজমা–আলপুরাসি নংনা কাপ্পো।
(আলিনা ছাত্রশিং ঈশৈ তম্বীরে, লোইরদা ঙম্না হন্নখরে। নাজমাদি ওঝাগী নাক্তা লৈহৌরি।
আলিসাহ ঃ কৈদৌরে নংদি নাজমা?
নাজমা ঃ ঙসিগী ঈশৈসি ওঝা, ঐঙোন্দা পাল্লগা শকপা মাল্লি।
আলি ঃ হায়, অঙাওবীসিদি। কৈদগী, কনাদসু থীদুনা শকখিবা নত্তে। পূক্লিংগী ইথিলনি, শেমজিনবা নুংশি নুংঙোলদা বেজ তৌবা আনুরাগনে, ঐনা শকখিবদা নং উখিদে, করম্না নঙোন্দা ওইগদৌরিবা হা নাজমা?
নাজমা ঃ মতমদো ঐহাক মনিংলোমদা ইরুজরি ওঝা ইথন্তনি। মী উরম্বা তারে খনবদগী হায়ফেৎ হায়ফেৎ ময়েংঙি, কনা উদে। ঈশৈদুসু য়াম্না লাপ্না তাখি ইরুজবা লেপ্লগা লোয়নমক তাখি –মহোয়গী– –তোক আগেদা...।
আলি ঃ লোৎকনু নাজমা ঐসে নঙ্গী ওঝানে..., ওঝাগী মফমদা মীনম্বা তৌনু।
নাজমা ঃ করিমগা ওঝাগা করি মরি লৈনবগে? মসিখক্তনি খংজনিংলিবা ওঝা।
আলি ঃ ও...ও... দুগী ওইরে। মা..ঐ অফবা মরুপ মপাংনি। ঐগী মত খংবদগী মাগী মতুং ইন্না লাকপনি। করিমদি য়াম্না ৱাশক চেৎপা অফবা মীওইনি, মাগুম্বা অমা থেংনদ্রি হায়বা য়াই। মাদি ছাত্র খরা খোম্নবা চহী ২ / ৩দি লৈরনি হায়নদনা লৈনরিনে নাজমা। আ.. নখোয়গী কনানিনা করিমসে?
নাজমা ঃ ইদোমচাগী মচা, ইখুরানা পোকপা
আলি ঃ ঐনা দু–য়ৌনা খংদবা। ও...ও...।
(লাইট ওফ)

মঙাশুবা তাঙ্কক

মফম ঃ *তোম্বা নহাগী যূম*
মতম ঃ *নুমিদাং অথেংবা*

রেজিয়া ঃ কৈদৌরে মপা তুমদ্রদি?
তোম্বানহা ঃ ৱাখল অমা সুম খল্লুবনে মীৎসে উশিনবা য়াদরে।
রেজিয়া ঃ করি ৱাখল?
তোম্বানহা ঃ কনাগী নত্তেনে, নাজমাগীনে–নাজমাগী।
(ফ্লাস বেক)
বানু ঃ তা করিম, তা করিম, ৱা অমা তম্বীগেনে থাজদবা তৌনু, নহাক লৌশিৎ তাজহৌনিদা, মাই ঙাকপদি ঐদি ঙমজরোইকো। (নোকই)
করিম ঃ মরমদো তম্মুনে বানু, নংগীনে মচু অঙাংবৈ ফনেক লৈবিনি। সে–বানু।
বানু ঃ নংসে ঐগী থম্মোয়দগী লাপহনিংদে, মতম পূম্বদা নংতনি খল্লিবসু ঐনা। ইচেনদি নহাকসে থাক য়াম্না ৱাংনা খনবদগী নংগী ননাক্তা লৈবসু পামদে শুম্নসু হায়। মখোয়দি তলব চাবগী মচা–মশুনি কৈদগী ঐখোয়গা লম্বা তৌ য়ারোই।
– ইচেদি–ইচেনে, ঐনা ঐ তা করিম।
করিম ঃ লাইরিক লোইখিগে মখা তাবদি আল্লানা নচে শোইরসু নংদি লৈরিদনা হা। (থৱায় তানা নোকই)
বানু ঃ অশোইবদা মেনবদি তল্লিকো তশেংবা।
–––––––––––––––––
তোম্বানহা ঃ জ্ঞান তারেদনা মমা নংবো। ৱাফমসে কনা তাহল্লকপা য়াদে, মদুম তৌরদি ঐখোয়গী আশাসে.... সিগী ৱানে।
রেজিয়া ঃ লুখরেদা মহোয় পাবাগী ৱাসে। হৌজিক হেক পাংবসু, য়াবা নত্তে। করিমগীসু লোইগদবদি চহী অমা মখাইদদি মঙাইরে। মায় মাম্মা তানরগা নাজমাদি লৌশিনবনদি ঐদি পাম্মেনে। মদুম তৌখিবা তারদি মহোয় পাবা।
তোম্বানহা ঃ মাথা শাই মমা। য়েংঙোই, নংননে তাঙ্গা অমা য়েংলগা...। মদু মঙাইরে ঐগী ৱাদি... অদুদা অমুক ইয়াম্বগী অমুক খল্লুরগা...।
রেজিয়া ঃ খল্লুরগনু, য়েংলগা হোৎনবা তাই–কো। লৈরে–লৈরে বানুগী ৱা তারগসু অদুম খংবা ময়াইদা মহোয় পাবা। হুঁ তৌরিসি লুইদকো।
(লাইট ওফ)

ৱারি

রসগুল্লাগী মরা

তেনালিরামগী ৱারী
অবুজম ইবোপিশক লুৱাং

বিজয় নগরগী নিংথৌরেল কৃষ্ণদেব রায়না ইরান অমসুং অতৈ অতোপ্পা লৈপাকশিং কয়ামরুমগা লোয়ননা মখল মখা কয়ামরুমদা ললোন ইতিক্কী থবক তৌনরমই। অমুক খক ইরানগী ললোন ইতিক্কী থবক তৌবা লৈপাক কয়ানা শকখঙলবা মমিং লৈবা ফিরদৌস কৌবা মীশক অমা বিজয় নগরদা অখন্নবা খোঙচৎ অমদা থুংলখি। মহাকপু নিংথৌরেল কৃষ্ণ দেব রায়না থোইদোকপা ইকায় খুম্নবা উক্তুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা কোনুংদা লৈবগী খুদোংচাবা পীদুনা লৈহল্লি। নিংথৌগী মনাই মশেন কয়ামরুম্না মহাক্কী সেবা সেবী পুকচেল শেংনা সেবা তৌবী। নুমিদাংগী চাকলেন চাবা তোক্লবা মতুংদা কৃষ্ণদেব রায়না মহাক্কীদমক চাননবা হায়দুনা রসগুল্লা হাপ্পা লুপাগী ক্লাগোক অমা মনাই থারক্তুনা থিলহনলকই। মনাই ঙাইহাক্কী মনুংদা তন্না হল্লকপা উরগা কৃষ্ণদেব রায়না চিংনবা অমা পোক্লক্তুনা মরম হংই। মসিদা মনাইনা পাউখুম পীরকই – 'ইনিংথৌ ইবুংঙো তাবীগনি, ননাইনা খুয়াখাদা পুনেমজরি, ননাই ইরানগী অতিথি ফিরদৌসনা লুপাগী ক্লাগোক হাংদোকই অদুগা মদুগী মনুংদা য়াওরিবা রসগুল্লাদা চিংনা য়েংই অমসুং রসগুল্লাদা খুদোনবীনফাওবা শোক্লগা মহাও তংদুনা য়েংদে – হায়রকই, ঐদি মসিগী পাম্বীদুগী মরাদু'দুম ওইনা চানিংই। মনাইনা তন্নিবা পাউদম লাক্তম তারগা নিংথৌরেল কৃষ্ণদেব রায় হায়নিংঙাই লৈতনা অঙকপা অমা হায়বদু ওইখি। মসিগী ৱাখলদা মহাক অহিং নোংশোয়বা মিৎ কক্লা অমা উইশিল্লু য়াদে। খনবদা মমই, মসিগী তুংদা করি পাখোং লোৎলি, লৌশিনবা ঙমদে। মহাক্লা মসিগী মরমদা ওইবা য়াবা মহয়গী লংলা লংজিন অমতা পুথোকপা ঙমদ্রবদা নোং ঙাল্লগা দরবারদা মন্ত্রিদা ফিরদৌসকী ৱাফম অসি হৌদোকই – "মন্ত্রিজী অদোম করিনো অমা খরা তৌবীদুনা কন্দায়দগীনো রসগুল্লাগী মরা থিবীরক্তবা য়াদ্রে।' ফরেনে, চাননবগীদমক শঙ্গোম ঘী থাওনা শাবা রসগুল্লাগী পাম্বী হৌদুনা কন্দায়দগী মরা, তাবদা মনাই মন্ত্রী, করিদি তৌনি। মায় লৈথোক্লগা থংনবদা য়েংদুনা লৈ। দরবার খ্বায় পুন্নমক্তগী খঙ হৈরবনি লৌনরিবা নিংথৌগী পণ্ডিৎসু মাঙোন্দা হায়বীরক্তবদি ফগনিদা খন্দুনা মিৎ মালংদা য়েংদুনা খাংলি, মসিগী ফিভম অসি য়ৌশিনলক্লবসিদদি তেনালীরাম মাগী হৌনবী তুমিন্না লৈবা হৈনরক্ত্রে, চিং লেম্না হায়রকই, লাইবক থীবা হায়বদুনি, ঐনা নিংশিংজনিংবা ৱাফম অমনা, মসিনিদা, তিনবীরিবা খ্বায় পুন্নমক্তগীদি রসগুল্লাগী ৱাফমসিদি পুরোহিতনা হেন্না খঙবীফম থোকপনি, ঐনা হায়জরিবসি ঐখোয় পুন্নমক্তগীদি পুরোহিতনা ইহেন হেন্না রসগুল্লা কৎলি, অদু মসিগী মরা খঙবা ঙম্বীদবা অসিবু শোঞ্জবনি।

নিংথৌরেল কৃষ্ণদেব রায় মিকপ থোক্লকপগুম তেনালীদা ওশিন্দুনা থবক্কী মহয় ফংলগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা হায়রকই, ওইনিংবা অমা ওইজরসু, ঐখোয় ফিরদৌসকী মমাংদা চোপনিংদে নঙ হৌজিকমক, খুথক অসিদা ফিরদৌসকী মাংদা রসগুল্লাগী মরা ফংহন্দবা য়াদবনি।'

'ইনিংথৌগী য়াথং ইকোক থোঙ, ননাই ঐনা করি করম্বা মতমদা ইনিংথৌগী য়াথং হিক্তোকখি, পুন্নমক সনা মাংদা কৎচখিবা ঙাক্লি, ননাই ঙসিসু হৌজিকমক সনা মাংদা মাগী রসগুল্লাগী মরা ফুক্লগা কৎচরগনি' হায়রম্লগা তেনালীরাম পুখম নাতি অমা লোয়ননা থাং হৈজ্রাং অমা পায়রগা দরবারদগী মপান থোকখি।

নিংথৌরেন অমসুং মন্ত্রি, দববারী পুন্নমক্লা থবাক মিহুল পিং পিং চোংনা তেনালী হল্লকপা ঙাইনরি।

ঙাইহাক লৈরগা তেনালী পুখমনাতি অমা ফি ফজনা কুপ্লগা মখুৎ অনি চংনা পায়রদুনা চংলকপা উরকই। দরবারী অমনা ঙাইহাক ফাওবা ঙাইঙম শিঙমদনা করিনো মসি হংই, মসিগী মমাংদা মহাক্লা নিংথৌরেলগী মাং তম্না চংশিল্লক্তুনা নোল্লুক্লা হায়জরকই, 'ইনিংথৌ ননাইনা রসগুল্লাগী মরা সনা মাংদা পুজরক্কে, হৌজিক্তি অতিথি ফিরদৌসগী মফমদা লেম্না থিনবীখিবা য়ারগনি।'

তেনালীনা ময়ামগী মাংদা চিং লেম্না থম্লক্লিবা ৱাফম অসিমক্তনা পুন্নমক্লা পুক্লিংদা কন্না খঙনিংবা অমনা লাংতক্লখহল্লি, ফিনা কুপ্লিবা পুখম নাতি অসিদা করি য়াওরি। অদুম্নদি ওইরগা তরাইবা তেনালী নত্তে, তরাইনা হেক্তা পুখমদা কুপ্লিবা ফি হাইদোক্লগা, তু সিনি রসগুল্লাগী মরা উৎকদবা লৈতে। মহাক্লা হায়রকই,তিন্বীরিবা খ্বায় খিবীক, ৱাংলেন মিকুপ অমতং পুক্লিং ফাথবীখিনি, "অহানবমক্তদা ঐখোয়গী ইনিংথৌগী অতিথি, মথং কনানো অমনা হেক্তা।'

ফিরদৌস নিংথৌগী অখন্নবা লমদম তাম্নদগী লেংবীরকপা অতিথি অমনি মরম অসিনা মন্ত্রি মশামক থাদুনা কৌহল্লুরে। ইংথৌগী য়াথং তুংইন্না ফিরদৌস ঙাইহাক পম্বুবা তৌদনা মন্ত্রিগা পুন্না খোঙদোয়মিন্নরক্কে। নিংথৌরেলনা মনাক্তা ফমহল্লি অমসুং মনাই অমদা য়াথং পীদুনা তেনালীরামগী খুত্তা পায়রিবা পুখম নাতি লৌরগা ফিরদৌসকী মাংদা থমই।

'মসিদি করিনো ?' ফিরদৌসনা নিংথৌরেলদা হংই।

'মরানি রসগুল্লাগী।' নিংথৌরেলনা নোকমি–নোকমি তৌনা হায়রকই।

"ৱা বল্লাহ।' ফিরদৌস উচেকসিমঙাই খোংলিবা। মহাক্লা পুখম নাতিদা কুপ্লিবা ফি শৎ লৌথোকই অমসুং খুবী অমসুং খুদোনবীনা রসগুল্লা মরা অমা অনি লৌদুনা মহাও তই অমুকসু মচিং চুপ্লগা হায়রকই, 'হিন্দুস্থান্দা ফংলিবা অসিগুম্বা পোৎ ঐখোয় ইরান্দা ফংদে।'

দরবারীশিং মিৎ তথক তথক য়েংনরি – মখোয়না পুখমদা মকু শিৎ নান্না খোক্লবা চু শিংকুপ শানা পিক্লা ইৎলবা উরকই। নিংথৌরেল পেনখিদুনা তেনালীরমদা মনা চাওনা পী, ফিরদৌসনসু মহাক্কী মায়কৈদগী মমল অতাঙবা ইরানগী গালীচা খুদোল তম্মী।

শৈরে [redacted]

নু মা

পিশক ৱাইরোকপা

নুংশি লানফমদা
কায়না পামেনখাদ
হকচীক লাংলিবনি

মায়বনা খূৎ থার
খোয়দৌৱা কাংলে
য়েংন্নিংথাগী মপাউ লংবা?
নঙগা শকখঙনরু
থম্মোয়নুংদা মৈগী
থাবলগী মঙালদা বা।

অপাইবা লৈচিলন

খহৌদা নোং ওনখিবগুম
কেনখিদরা খল্লুবদা শিঙ্গারৈগুম
অমুকসু পাখৎচৈ, নোংঙাল্লকপসিদা।

নত্তে, ঐদি পৃথিবীরাজ
জয়চন্দ্রগী রাজ সভাদগী
লৌরুবা ঙম্বা "সংযুক্তা"
সুপ্নতগী নুংশি লানফমদা
ওইরুবনি খূৎলায় পায়দ্রবা লাম্মী
অদুবু
পত্থরবা ঐগী থম্মোয়সে
নঙগী শম্লাংগী চেঙহি মনম্না
তেকখৎহনখিবা নৎত্রা?
মসিবু ঈজ্জৎকী ফিজিদা
লৈখোম তৈশিনবনি হায়দৌরিবরা?

মীৎয়েং

লাইশ্রম দেবেন

পুন্সি মীৎয়েং খুরৌ চেল্লিকো
অফ–ফত্ত, নুংঙাই য়াইফ
অমম অঙাল তাইবংগুম।
যুরান মপোক ওইবনা
পাংগদবা কয়ানা লৈহৌরি,
পুন্সি পীখম্নবনা হাল্লগনি
মসিরা পুন্সি হায়বদে।
চৎপনি ঐসু খূদুম য়েংনা
মীনোক মৈশা হেল্লকই
তাইবং শান্তি মাংখরে।
থৱায়না হকচাং নুংশিরকই,
খাইনবা নুমিত্তা লোইরনি।
পুন্সি তুমখুল তাল্লগনি
মীকপ অমা থোক্তনা।

শজিবু থানা লাকপদা

দোনেশ্বার কোন্সম

শজিবু থানা লাকপদা
নঙনা লাক্কে নোংলৈ ওইনা
থম্মোয়সে তনিক–তনিক্কে
মীৎয়েংসে তথক–তথক্কে
নঙদি খঙদে নোংলৈনিনা।
নঙোন্দা পীগে খঞ্জবা
খোঙ্গুম্মৈল্লে চরোং–চরোং
কেনখিনি ৱাজেনে ঐনা
ৱাখল লৈতাফম খঙদরে
নঙদি খঙদে নোংলৈনিনা।
তনিক–তনিক থৱানশিংনা
নঙবু য়েংদনা লোৎখরে
পূক্লিংগী নিংঙাই লেপখরে
থম্মোয়গী মপাউ তমদরে
নঙদি খঙদে নোংলৈনিনা।